# অনীরক হন্না ওস্কার নোমিনী ফংলবী মালেমগী অহানবা নুপী দিরেক্টর জেন কেম্পিয়ন

*- নানি*



ৱর্ল্ডগী ফিল্ম হিষ্ট্রিদা অতাঙবা অমনি হায়বমক য়ারবী জেন কেম্পিয়ন অসি ফিল্ম দিরেক্টর, প্রদ্যুসর অমদি স্ক্রিনরাইটরনি। মহাক্কী মমিং লৈরবা ফিল্ম কয়া লৈখ্রে। চৎলিবা চহী অসিগীসু মহাক্কী ফিল্ম **দ পৱার ওফ দ দোগ** হায়বা অসিনা নোমিনেসন ১২ চঙদুনা করম করমবা এৱার্দশিং ফংগদগে হায়না মালেমগী মীপুম খূদিংনা খৌরাংনা ঙায়নরিবনি। মপুং ফাবা মমিংদি- ইলিজাবেথ জেন কেম্পিয়ন কৌই। ১৯৫৪গী এপ্রিল ৩০দা ন্যু জিলেন্দগী ৱেল্লিংতন হায়বা মফম অদুদা পোকখিবনি। মহাক্কী ফিল্ম **পিয়ানো** (১৯৯৩) অসি থোইদোক্লা মমিং চৎলি। ফিল্ম অসিদা মহাক্লা ১৯৯৩দা কান ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা বেষ্ট দিরেক্টরগী মনা ফংবতা নত্তনা ফিল্ম অসিনা বেষ্ট ওরিজিনেল স্ক্রিনপ্লেগী একাদেমী এৱার্দ মহাক্লা ফংবা ঙমখি। চৎলিবা চহী ২০২২ অসিদসু মহাক্কী ফিল্ম **দ পৱার ওফ দ দোগ** (২০২১) হায়বা অসিসু একাদেমী এৱার্দকী নোমিনেসন পুন্না ১২ চঙদুনা য়াম্না মাঙজিল থারিবী অমা ওইরিবীনি। ফিল্ম অসিমক ৭৮শুবা ভেনিস ইন্টরেনসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা সিলভর লায়ন এৱার্দ ফোর বেষ্ট দিরেক্টরগী মনাসু ফংখ্রে। মহাকপু মশক তাকখিবা ফিল্মশিংদি- **এন এনজল এট মাই টেবল (১৯৯০), হোলি স্মোক (১৯৯৮), ব্রাইট ষ্টার (২০০৯),** অমদি টেলিভিজন সেরিজ **তোপ ওফ দ লেক (২০১৩)** হায়বা অসিনি। টেলিভিজন সেরিজ অসিদদি জেন অসি য়াম্না মমিং লৈবা ঙল্লে। মরমদি সেরিজ অসিনা মশীং নাইদ্রবা এৱার্দ কয়া ফেষ্টিভেল কয়াদা মথং মথং ফংবা ঙমখিবনি। ইলিজাবেথ মোস হায়রিবা এক্টর অসিনা গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেস অমদি ক্রিটিক্স চোইস টেলিভিজন এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেসসু ফংখি। মসিদা নত্তনা জেন কেম্পিয়নসু প্রাইমটাইম এম্মি এৱার্দ ফোর আউটষ্টেন্দিং দিরেক্টিং ফোর এ মিনিসেরিজ, মুভি অমদি দ্রামাটিক স্পেসলগী মনা ফংখিবনি।

মহাক্কী অপোকপা রিচার্দ এম কেম্পিয়ন স্কুলগী ওজা অমা ওইবতা নত্তনা ঠিএটর অমদি ওপেরাগী দিরেক্টর অমা ওইনা থোইদোক্লা মমিং চৎলি। অদুগা অপোকপী ইদিথ কেম্পিয়নসু মমিং লৈরবী এক্ট্রেস অমা ওইবতা নত্তনা রাইটর অমসুনি। অসিগুম্বা ঈগী খোঙ্গুল মরী কয়া অসিনা জেনসু পীক্লিঙৈদগী হৌনা ন্যু জিলেন্দগী ঠিএটর অমদগী হৌরকখি। মমা-মপানবুদি মহাক লাইরিক লাইশুদা হেন্না পূক্নং চঙবা পামজরকখি। অদুনা ভিক্টোরিয়া য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱেল্লিংতনদা বেচেলর ওফ আর্টস ইন এন্থ্রোপোলোজিদা ১৯৭৫তা পাস আউট তৌরবসু মখা তানা দ্রামাটিক আর্টসতা হেন্না মায় ওনশিনবা হৌখি। অদুনা ১৯৭৬তা লন্দনগী চেলসি আর্ট স্কুলদা মিং চন্দুনা য়ুরোপকী মফম কয়াদা চৎপা ফংখি। মহাক ভিজ্যুএল আর্টস (পেন্টিং)সু য়াম্না পামজখি অদুনা য়ুনিভর্সিটি ওফ সিদনিগী মখাদা সিদনি কোলেজ ওফ দ আর্টসতগী ১৯৮১দা গ্রেজ্যুএট দিপ্লোমা ফংখি। মহাক্লা ফিল্মলোমদা পূক্নিং চিংশিনবা ঙমখিবসি, মহাক্লা ভিজ্যুএল আর্ট তম্লিঙৈদা মমিং লৈরবা ফ্রিদা কাহলোগী পেন্টিং অমদি জোসেফ বেয়সগী স্কল্পচর কয়া উখিবদগী ইনফ্লুএন্স ফংখি। মহাক্কী পেন্টিংনা মহাক্লা পাল্লিবা কয়া অদু মীয়ামদা ফোঙদোকপা মপুং ফাবা ঙম্বরা হায়বসি মহাক্কী ৱাহং ওইরকখি। অদুনা পেন্টিং অমদি স্কল্পচর অসি পুশিন্দুনা ফিল্ম ওইনা পুথোক্লবদি মহাক্কী অপাম্বা অসি খরদা ওইরবসু থুংবা য়াই হায়না খন্দুনা মহাক্কী চাংয়েং ওইনা **টিসুজ (১৯৮০)** হায়বা সোর্ট ফিল্ম অসি নমখি। মদুদসু মহাক কয়া নীংবা থুংখিদে, মরম অদুনা পারা নাইনা তম্লগা ফিল্ম তৌরগে হায়না চপ চানা খন্দুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ফিল্ম, টেলিভিজন এন্দ রেদিও স্কুল হায়বা অসিদা ১৯৮১দগী তম্বা হৌখি। অদুগা ১৯৮৪দা ফিল্ম মেকিংদা গ্রেজ্যুএসন লোইখি। মসিদগীনি মহাক্লা ফিল্মগী আইদিয়া অমদি নোলেজ কয়া ফংদুনা সোর্ট ফিল্ম কয়া পুথোরকখিবা।

গ্রেজ্যুএসন লোইরবা মতুংদা ইহান হান্না পুথোকখিবা মহাক্কী সোর্ট ফিল্ম পীল (১৯৮২) অসিদা ১৯৮৬তা কান ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা বেষ্ট সোর্ট ফিল্মগী এৱার্দ ফংখি। মথংদা পেসনলেস মোমেন্টস (১৯৮৩), এ গার্ল'স ওন ষ্টোরি (১৯৮৪) অমদি অফ্টর অৱার্স (১৯৮৪) হায়রিবশিং অসি মথং মথং পুথোরকখি। অসুম্না টেলিভিজন সেরিজ টু ফ্রেন্দস (১৯৮৬) অসি পুথোক্লবা মতুংদগীদি মহাক মীয়াম্না খঙবা হৌরক্লে। হৌজিক ফাওবদা একাদেমী এৱার্দকী ওস্কার হিষ্ট্রিদা নুপীনা বেষ্ট দিরেক্টরগী নোমিনেসন ফংবা হায়বসি জেন কেম্পিয়ননা অনীশুবনি।

জেন কেম্পিয়নগী ফিচর ফিল্ম **এন এনজল এট মাই টেবল (১৯৯০)** হায়রিবা অসি ন্যু জিলেন্দগী মমিং লৈরবা রাইটর জেনেট ফ্রেমগী বাইওপিক অমনি। ফিল্ম অসিগী স্ক্রিনপ্লেনা লোরা জোন্সনা তৌখি। অতোপ্পা জেনগী য়াম্না চেল্লেঞ্জিং ওইবা ফিল্ম অমনা মালেমগী



ওইনা মমিং লৈরবা পোইট জোন কিটস বাইওপিক ফিল্ম **'ব্রাইট ষ্টার'** হায়বা অসিসু অমনি। জোন কিটসকী রোল অসি বেন ৱিশোনা কুমখি। ফিল্ম অসিমক কান ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা উৎখি। অমরোমদা মহাক অসি লিটরেচর ওইনা মমিং লৈরবা পর্সোনেলিটিশিং অমদি মখোয়গী লাইরিকশিংদা য়াম্না মীৎয়েং থম্লগা ফিল্ম পুথোকপা পাম্মী। খ্বাইদগী য়াম্না য়োনবা ঙমখিবা ফেষ্ট সেল্লরগী মনা ফাওবা ফংখিবা মমিং লৈরবা হেনরি জেমসকী নোভেলদা য়ুম্ফম ওইবা **দ পোরট্রিএট ওফ এ লেদি** হায়বা অসিসু ১৯৯৬তা মহাক্লা এট্টেম্পট তৌদুনা পুথোকখি। ফিল্ম অসিদা নিকোল কিদমেন, জোন মালকোভিচ, বার্বরা হের্শে অমদি মার্টিন দোনভননচিংবা মমিং লৈরবা এক্টর কয়ানা কুমখিবনি। **দ পিয়ানো** হায়রিবা ফিল্ম অসিদসু মমিং লৈরবী এক্ট্রেস কেট ৱিন্সলেটনা ফিমেল লিদ রোলদা কুমখি। ২০১৩দদি জেন কেম্পিয়ন সোর্ট ফিল্ম সেক্সন, কান ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা হেদ ওফ দ জুরি অমদি ২০১৪দা হেদ ওফ দ জুরি ওইনা ম্যেন কম্পিটিসন সেক্সনদা শরুক য়াখি। কনাদিয়ন ফিল্ম মেকর জাভিয়র দোলাননা মহাক্কী ফিল্ম মোম্মিদা প্রিদু জুরিগী মনা ফংলকপদা ফোঙদোকখিবসি- মহাক্কী ফিল্ম অসি মেদাম জেনগী ফিল্ম দ পিয়ানো হায়বদুনা মঙোন্দা অনৌবা আইদিয়া অমা পীদুনা ৱিমেন- ব্যুটিফুল ৱিমেন ৱিথ সোল, ৱিল এন্দ ষ্ট্রেংথ, নোট ভিক্টিমস ওর ওবজেক্টস হায়বসিদা ইন্সপিয়র তৌদুনা পুথোকখিবনি হায়না মহাক্কী এৱার্দকী ক্রেদিট অদু জেনদা পীখিবগী ৱাফম লৈরি।

২০১৯দা থোমাস সেভেজগী নোভেল দ পৱার ওফ দ দোগ হায়বা অসিগী এদাপটেসন ফিল্ম অমা নম্লগনি হায়না লাউথোরকখি। লোয়ননা ফিল্ম অসিগী সূটিং হৌখি। ফিল্ম অদু ২০২১দা রিলিজ তৌদুনা ৭৮শুবা ভেনিস ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা প্রেমিয়র উৎখি। লোয়ননা জেননা সিলভর লায়ন ফোর বেষ্ট দিরেক্সনগী মনা ফংবা ঙমখি। ফিল্ম অদু ফেষ্টিভেল কয়াদা দিরেক্সন, স্ক্রিনপ্লে অমদি এক্টরশিংগী পর্ফোর্মেন্স কয়াদা নোমিনেসন কয়া চঙখি। ফিল্ম অসিনা ২০২২গী ফেব্রুৱারীদা ৯৪শুবা একাদেমী এৱার্দকীদমক পুন্না নোমিনেসন ১২ ফংলে হায়না লাউথোরকখি। নোমিনেসনশিংদুগী মনুংদা- বেষ্ট পিকচর, বেষ্ট দিরেক্টর, বেষ্ট এদাপটেদ স্ক্রিনপ্লে, বেষ্ট এক্টর (বেনেদিক্ট কম্বরবেটচ), বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্ট্রেস (ক্রিষ্টন দুনষ্ট), বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্টর (কোদি স্মিথ, মেক ফী অমদি জেসী প্লেমোন্সনি। ফিল্ম অসিমক্তদা য়াওরিবা এক্টর অহুম্না বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্টরগী এৱার্দ অসি তান্নরিবনি) নচিংবনি। জেন কেম্পিয়ন কোলিন দেবিদ ইংলের্টকা লোয়ননা ১৯৯২দা য়ুম্বানমিন্নখি। অদুগা ১৯৯৩দা মচা অমা ফংজখি। লাইবক থীবদি অঙাং অদু নুমীৎ ১৭দং হিংলমখি। অনীশুবা মচা ওইনা ১৯৯৪দা মচানুপী এলিস ইংলের্ট অসি ফংজিখি। ঙসিদি মচানুপী এলিসসু মমিং লৈরবী এক্ট্রেস অমা ওইরে। অদুবু মহাক্কী মপুরোইবগদি ২০০১দা দাইভোর্স তৌদুনা মমা-মচাদমক লৈমিন্নরি।

মালেমগী মমিং লৈরবা ক্রিটিক্স কয়ানা তোঙান তোঙানবা মীৎয়েংদা মহাকপু য়েংদুনা শীংথানরি। মমিং লৈরবা ক্রিটিক দেবিদ থোমসননা জেন কেম্পিয়ন অসি অহানবা ওইনা ১৯৯৯দা লৌবা ইন্টর্ভিয়ু অমদা জেন কেম্পিয়ন অসি ৱর্ল্ডগী নহা ওইরিবা দিরেক্টরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অফবা দিরেক্টর অমনি হায়না দেস্ক্রাইব তৌখি। মসিগা চপ মান্ননা সু জি ল্লেট্টনসু জেনগী ইহান হানবা ফিচর ফিল্ম **স্বীটি** হায়বা অদুগী মতাংদা ইবা আর্টিকল মোর দেন মীটস দ আই : দ মেদিএসন ওফ এফেক্টস ইন জেন কেম্পিয়ন'স স্বীটি হায়বা অদুদা অসুম্না দেস্ক্রাইব তৌরি- পর্হাপস দ ফুল্লেষ্ট এন্দ ট্রুষ্ট ৱে ওফ বীং ফেথফুল টু দ রিএলিটি ওফ এক্সপরিয়েন্স, বাই য়ুটিলাইজিং দ অনসেয়েবল এন্দ অনসীএবল সী মেনেজ টু কেটালাইজ ওদিয়েন্স স্পেকুলেসন, চেম্পিয়ন'স ফিল্মস টেন্দ টু গ্রেভিটেদ এরাউন্দ থীম্জ ওফ জেন্দর পোলিটিক্স, সচ এজ সিদক্সন এন্দ ফিমেল সেক্সুএল পৱার।" হৌজিক ফাওবদা জেন কেম্পিয়ননা ফিচর ফিল্ম পুন্না তরা- স্বীটি (১৯৮৯), এন এনজল এট মাই টেবল (১৯৯০), দ পিয়ানো (১৯৯৩), দ পোরট্রিএট ওফ এ লেদি (১৯৯৬), হোলি স্মোক ! (১৯৯৯), সোফ্ট ফ্ল্যুইট, ইন দ কট (২০০৩), এবদক্সন : দ মেগুমি য়োকোটা ষ্টোরি (২০০৬), ব্রাইট ষ্টার (২০০৯), দ পৱার ওফ দ দোগ (২০২১) হায়রিবা অসিনি। লোয়ননা সোর্ট ফিল্ম ১০ নমদুনা পুথোকখি। টিসুজ (১৯৮০), মিশাপস ওফ সিদক্সন এন্দ কনক্বেষ্ট (১৯৮১), পীল : এন এক্সর্সাইজ ইন দিসিপ্লিন (১৯৮২), পেসনলেস মোমেন্টস (১৯৮৩), এ গার্ল'স ওন ষ্টোরি (১৯৮৪), অফ্টর অৱার্স (১৯৮৪), দ ৱাটর দাইরি (২০০৬), দ লেদি বগ (২০০৭), আই'এম দ ৱান (২০১২) অমদি ফেমিলি হেপ্পিনেস (২০১৬) অসিনি। মহাক্কী সোর্ট ফিল্ম অমদি ফিচর ফিল্মশিং অসি মহাক মশানা দিরেক্সন পীবা, স্ক্রিনপ্লে ইবা ওইবা ঙাক্তনি। জেন কেম্পিয়ন টেলিভিজন সেরিজ অহুম অমগসু পুথোকখি। মদুদি- টু ফ্রেন্দস (১৯৮৬), তোপ ওফ দ লেক (২০১৩) অমদি তোপ ওফ দ লেক:চিনা গার্ল (২০১৭) অসিনি। য়েংখিবা তারি অহল ওইরবী দিরেক্টর অসিনা করম্বা অনৌবা ফিল্মদা খুৎ থারকপা অমদি করম্বা মনা ফংলকপা হায়বদু।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৭।০৪।২০২২ ইং, নোংমাইজিং;
শজিবুগী ১৬ নি পানবা।

**মেষ:** নীংবা থুংবা, থৌনা লৈবনা শেলথুমগী লমদা চাওনা কান্নবা অমদি অনৌবা থবক পাঙবা য়াবা নুমিৎনি। নচা-ননাইগী লমদা অঙনবদা কোক শাবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃষ:** থবক পাঙবা, পাঙ্গল ফুদোক্লা অমদি ৱাখল থাদরগা পল্লম্বা থবকসু লায়না পাঙগদবা নুমিৎনি। ইমুং মনুং ৱা তান্নবগী অফবা মহৈ ফংজগনি। য়েৎনবদি য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** পাউ নুংঙাইবা তাবা, অনৌবা মরুপ ফংজবা অমদি অরাপ্পা মফমদগী কান্নবা ফংগদবা নুমিৎনি। লৌশিংদি লৈরগসু মতিং লৈনা ফুদোকপা ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কর্কট:** মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা য়াগনি, শেলথুম অমদি মীয়ামগা পাঙমিন্নবা থবক্তা থোইনা কান্নবা লৈগনি। ইচং থৌবদি ঙসিসু কান্নগনি, কনানসু লাকচবা ঙমলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**সিংহ:** অশাওবনা মাঙহনবা অমদি ৱা য়াম্না ঙাঙবনা ঈকাই নুংশি য়ান্নবা নংবা য়াবা নংগনি- য়ারদি য়াকা য়েংনা চৎপা ফগনি। শেন্দোং তানবা থবক্তদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কন্যা:** হকচাং নুংঙাইবা, পাংঙমদবা থবক পাঙবৈ নুংঙাইবা, লেঙদবা লনসু ফংবা অমদি ঈকাই খুম্নবা ফংবা নুমিৎনি। লান্দবনদি শোয়দনা মায় পাক্কনি-মরুপ লোইনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**তুলা:** হরাওবা -নুংঙাইবা, শেন্দোং চাওনা ফংবা অমদি অনৌবা অশা ময়াম লাকপা নুমিৎনি। অদুবু য়েক্নবনা কল্লকপা অমদি মরুপ মপাংনা চানবীবা ৱাৎপা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** ইচং থৌবা, পাইরক্কী লৌশিং চাওবা, নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌবসু য়াবা, পাংঙমদবা থবক পাঙবা নুমিৎনি। মীয়াম লোয়নবসু চাওখৎকনি। খুৎতি চাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**ধনু:** নীংবা থুংগনি, মীচং হেনগৎকনি, শেন্দোং চাওনা ফংগনি অমদি অনৌবা মরুপ ফংগনি। অখং অহৈ তান্নদুনা তুংগী পোরম য়াৎপদি ফগনি, থিবা হুম্বা কনখো।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**মকর:** থবক পাঙগনি, নীংবা মপা চাগনি, ইমুং মনুং পুন্না থৌ পাঙমিন্নবা য়াম্না চাওখৎকনি অমদি নচা-ননাই চাওখৎপগী নুংঙাইবা, লেঙদবা লন ফংবৈ নুংঙাইবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** চরাংনরদি নীংবা থুংবা অমদি নথক থোংবনা চানবীবা ৱাৎকনি। অদুবু মীয়াম্না পাম্নবা, লৈতেং ফংবা অমদি পাউসু নুংঙাইবা তাজবা লৈ। মরুপ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**মিন:** অরুবা থবক পাঙবা য়াম্না চেকশিনগদবা নুমিৎনি। মতাং চাদনা থৌনা ফুদোক্কনু অমদি মরম খঙদনা অনম তানগনু। নোল্লুকপনা খ্বাইদগী য়াইফগনি-থাজৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- শাওনদনবা হোৎনৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ /চিনি অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## কন্সল্টেসন ওন রিথিঙ্কিং দি ফ্যুচর ওফ মণিপুর পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচ এন এস): পিপলস ফোর হ্যুমেন রাইটস এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা শিন্দুনা ঙসি রিথিঙ্কিং দি ফ্যুচর ওফ মণিপুরগী মতাংদা কন্সলটেসন প্রোগ্রাম অমা হোটেল ক্লাসিকতা পাঙথোকখ্রে।

নুংথিল পুঙ ১ তাবদগী পাঙথোকপা হৌখিবা প্রোগ্রাম অদুদা ইম্ফাল টাইমসকী এদিটর রিনকু খুমুকচম, এদভোকেট রবি খান অমসুং য়ুনাইটেদ এন জি ও মিসন মণিপুরগী সেক্রেটরি য়ু নোবোকিশ্বরনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রোগ্রাম অসিগী কো কনভিনর এম কালঞ্জয়না ফোঙদোকখিবদা, লান অমদি পামদবা থৌদোকশিংগী চৈথেং লমদম অসিগী মীয়াম্না মায়োক্লদুনা লাকখ্রে। মখা তানা অসিগুম্বা খুদোংথিবশিং অসি করম্না থোকহল্লোইদগে অমদি তুংদা ঈং তপ্পা খুন্নাই অমা মতৌ করম্না ওইহনগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নবনি। খুন্নাই অসিদা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক্লা পীরক্লিবা চৈথেং অমদি নুপী অঙাংদা চথরিবা ক্রাইমশিং অসিনা তুংদা করি ওইহল্লকপা য়াবগে হায়বদুসু পুন্না খন্থমিন্নবগী মতম ওইরে হায়খি।

## দিজিটেল স্মার্ট ক্লাস হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচ এন এস): ৱর্ল্ড ভিজন ইন্দিয়া অমসুং লৌখাম লৈকায় ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এল এল দব্লিয়ু এ ক্লব) খুৎশম্নদুনা খম্নাম লৈরক্তা লৈবা বুধিমঞ্জুরি হায়স্কুলদা দিজিটেল স্মার্ট ক্লাস লোঞ্চ তৌখ্রে।


স্মার্ট ক্লাস লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা এল এল দব্লিয়ু এ ক্লবকী প্রসিদেন্ট এস দেবেন, বুধিমঞ্জুরি হায়স্কুলগী স্কুল মেনেজমেন্ট দিবলপমেন্ট কম্মিটিগী লোকল এদ্যুকেস্নলিষ্ট এন রোবেন্দ্রো অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী এরিয়া প্রোগ্রাম মেনেজর অসোসি লোলিনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা লোলিনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক্কী মতমদা স্মার্ট ক্লাস অসি য়াম্না মথৌ তারে। ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংনসু স্মার্ট ক্লাসকী নুংঙাইবা অমদি খুদোংচাবা মতৌ করম্না লৌগদগে হায়বদু খঙহন্ননবগীদমক স্মার্ট ক্লাস অসি হৌদোকখিবনি হায়খি।

## এস এ আর সী ব্রিলিয়ন্স এৱার্দ ২০২২ রাকেশ নাওরেমদা পীরকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচ এন এস): থা অসিগী এপ্রিল ১৩দগী নেপালগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোরক্লিবা সাউথ এসিয়ন রিজনল কন্ট্রিজ (এস এ আর সী) কলচরেল সম্মিট ২০২২দা মণিপুরদগী নাইতোম ওইনা শরুক য়ারিবা সোসল এন্দ কলচরেল এক্টিভিষ্ট রাকেশ নাওরেমদা ঙসি নেসনেলিষ্ট পিপল পার্টি (এন পি পি), কাঠমন্দু নেপালগী প্রসিদেন্ট ইন্দ্র বহাদুর থাপানা লেমজ নিংঙাই ওইরবা সাউথ এসিয়ন রিজনল কন্ট্রিজ ব্রিলিয়ন্স এৱার্দ ২০২২ খুৎশিন্নদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে হায়রি।

নুমীৎ মরিনি চুপ্পা চথরকখিবা কলচরেল সম্মিট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা এস এ আর সী কন্ট্রিশিংগী শক্লাইরবা মীওইশিংদা সাউথ এসিয়ন রিজনল কন্ট্রিজ ব্রিলিয়ন্স এৱার্দ ২০২২ অসি পীখিবনি। এস এ আর সী কন্ট্রি ৮গী মনুং চল্লিবা অফঘানিষ্টান, বাংলাদেশ, ভুটান, ইন্দিয়া, মালদ্বিবস, নেপাল, পাকিষ্টান অমদি শ্রীলঙ্কাদগী লাকপা দেলিগেট কয়ানা শরুক য়াদুনা নেপাল টুরিজম বোর্দ ওদিটোরিয়ম কাঠমন্দুদা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ন রিজনল কন্ট্রিজ ব্রিলিয়ন্স এৱার্দ সেরেমোনি এন্দ কলচরেল সম্মিট ২০২২ লোইশিনবগী থৌরম অদু নেপালগী ফোর্মর দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর সুজতা কোইরেলানা মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকখি। লোয়ননা ঙসিগী লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মিনিষ্ট্রি ওফ আয়ুশ, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী এক্স-মেম্বর ডা. দিনেস উপধ্যায়, ৱর্ল্ড বুক ওফ ষ্টার রেকোর্দসকী ফাউন্দর দিরেক্টর ডা. রজিব পাল, সিধি জোহরি অমদি শান্তশ্রী ভট্টচার্য্যসু শরুক য়াখি হায়রি।



Title : A parrot in a tree
By : Takhellambam Damini
Class : I Sec: Lotus Roll No. 22
School : SL ARENA OF LEARNING



Title : Deforestation
By : Yambem Pari Meitei
Class : III Roll No. 6
School : Eikhoigi Maheikol, Charangpat




Title : House and Tree
By : Th. Ningthourenba Singh
Class : III Sec: B Roll : 36
School : CGCC Wangoi



Title : Astronaut
By : Mayanglambam Tomthin
Class : III Sec: B Roll :
School : Little Fairy Public School, Delhi



Title : A night view
By : Inunganbi Yambem
Class : II Roll : 5
School : Eikhoigi Maheikol, Charangpat



Title : Horse
By : Ingudam Lanthoiba Meetei
Class : II Roll : 7
School : Nirmala House, Imphal




Title : Night Sky
By : Disha Gurung
Class : VI Roll : 10
School : S. V. Getwell



Title : Scenery
By : King Chirom
Class : III Roll : 3
School : Khuman Maheikol



Title : Scenery
By : Tomthinganba
Class : III Roll : 2
School : Seleima English Academy



Title : Scenery
By : Yumnam Yohenba
Class : IV Sec : Roll : 47
School : Khuman Maheikol



Title : Scenery
By : N. Sanjiv
Class : III Roll : 4
School : Khuman Maheikol



Title : Scenery
By : Loyanganba
Class : I Sec : Blue (A) Roll : 17
School : Khuman Maheikol



Title : Scenery
By : Pangambam Banish Singh
Class : V Sec: Blue Roll : 80
School : Khuman Maheikol



Title : Scenery
By : Ng. Christiina Chanu
Class : IV Roll : 87
School : Khuman Maheikol



Title : Scenery
By : Jessica Thounaojam
Class : III Roll : 70
School : Khuman Maheikol



Title : Scenery
By : Th. Lanchenba
Class : III Sec: A Roll : 10
School : Pishakmacha Bidya Mandir

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।